# "কায়রবা ঋতুগী তান্থা"

## EPISODE-4

(Variation in Earth Climate)

*Script :*

**Dr. Irungbam Jamuna Devi**

**CHARACTERS :**

নুপাঃ- (১) তেলহৈবা (এসিষ্টেন্ট প্রোফেসার (২) খন্বা (পি. জি. ষ্টুদেন্ট)
(৩) লুইখম (পি. জি. ষ্টুদেন্ট)
নুপীঃ- (১) ইবেমনুংশি (তন্ফাগী মমা) (২) তন্ফা (পি. জি. ষ্টুদেন্ট)

(মফম: কোলেজ কেম্পস, মতম: নুংথিল ইগজাম লোইনরকপা মতম, ছাত্রা ছাত্রী লাঙবগী খোঞ্জেল)

খন্বা :- লুইখম .... লুইখম সোমদা লাকও, কান্টিনদা করিনোমা চারুসি লাকও।

লুইখম :- (নকশিনলকপা) খন্বা ! নঙদি ইগজাম কমাই তৌরমগে, ফুল অন্সৰর তৌরম্লা?

খন্বা :- মার্ক অহুম পীবা সোর্ট অন্সৰর অমখক্তং খুন্বা নঙদদনা খুমলমদরে। নঙদি লোইনা ইরম্বরো?

লুইখম :- ঐসু এসে টাইপ মার্ক তরুক পীবা অমদি ফজনা ইরমদরে।

তন্ফা :- (স্বর থবেৎ-থবেৎ হোল্লগা চেনবোই লাকপোই লাকপা) অস! ঐনা ঙসাইদগী শদৌ থোংখৈ নবানিবু কোইথি থিরুরিসিদি, নোয়দি সিদা কান্টিন মনাকসিদা নুংঙাইঙৈ ৰারী শাদুনা লৈরম্মীনে, হুম ! (শাওনিংবা) নবানি পুনখ্রদি ঐগসে অমত্তা নিংশিংবীবোৎ নৎতে।

খন্বা :- তন্ফা ! সে শাওখিনুসে ঐসু লুইখমগা হৌজিক্তা ইগজাম হেক লোইবগা কান্টিন চৎলুসি হায়দুনা লাকপদা ঙাইরি, নঙোন্দা ফোন তৌগে তৌরম্মীনে, কান্টিনদা লাকও হায়গে হায়দুনা, ফোন তৌবগা অমতা নঙহৌদে, নঙনা হান্না হেক্তা য়ৌশিল্লকপনা হাল্লি (নোকপা)।

লুইখম :- তন্ফাদি খন্বগা ঐগা উদ্রবদি লৈবা ঙমদবনে (নোকপা)।

তন্ফা :- (শাওবা) ফৈ ফৈ নোয়, সিদগীদি ঐ নোয়গা সুংউ উন্নররোই, সুংতিন তিন্নরোই চৎলগে ঐ।

লুইখম :- ঙাইখোও তন্ফা, ফাগী তৌবনে, লাকও সে কান্টিনদা চঙলসি, নঙনা চানিংবা পুন্নমক লোয়না পীজরগে লাকও।

তম্ফা :- ঐ করিমত্তা চাজনিংদরে, নোয় অনি অদুম হাওনা চাহৌরো, ইমানা ঐগীসু য়ুমদা অহাও-অহাওবা ময়াম থল্লল্লগনি য়ুমদা চাজরুরগে, চৎচরগে ঐখোয়দি।

খন্বা :- (মমাঙদা থৎলগা হায়বা) ঙাইখোবা তম্ফা, নঙসে ফাগী তৌবগা অমত্তা য়াদে, সে লাকও নঙনা পান্বা আলুচোপ ফোং ফোং শাবগা কোফিগা থল্লুসি লাকও।

তেলহৈবা :- হৈমা ঐদি ঙসাইদগী ইগজাম হেক লোইখিবগা নখোয় কদোমদা চৎখরে হায়দুনা কোইথি থিরুরি, নখোয় অহুমদি কান্টিন মমাংসিদা পুল্লপ লেপ্তুনা লৈরল্লিবসিবু করি তান্নরমলিবনো?

তম্ফা :- সার, অরোইবা সেমিষ্টর ইগজামসু লোইরবনিনা সিদগীদি ঐখোয় পাক-পাক উন্নবা ফংলরোই হায়দুনা করি করিনো খরা চামিন্নসি হায়দুনা তৌরম্বনি সার।

লুইখম :- সার করিনোমত্তং ওইরসু চামিন্নখিসি, ঐসু হয়েং য়ুমদা হল্লনি, সিদগীদি তোয়না উন্নবসু ফংলরোই।

খন্বা :- কান্টিনদা ওইনা ঙহাক্তং ফমদুনা ৱারী শান্নরুরসি, ঐসু সারগা উন্নজনিংদুনা লৈজরল্লিবনি, সারনা থীবিরকপা তান য়াম্না চারে।

তেলহৈবা :- লাকও-লাকও চঙলসি লাকও, ঙসিদি নখোয় অহুমগা ঐ ৱা খরা তান্নদবা য়াদরে, নখোয়না চানিংবা খুদিংমকসু ঐনা লোয়না পীজদোইনি।

তম্ফা :- খন্বা... লুইখম ... নবানি চানিংবা খুদিংমক সারদা লোয়না হায়জহৌরো, ঐদি আলুচোপ অনি চানি অমনদি য়ারোইকো সার (নোকপা)।

তেলহৈবা :- হোয়দা হোয়দা অনি চাগেরা মরি চাগেরা চানিংবদা চাও, ঙসিদি ইগজামসু লোইরবনিনা নোয়না চানিংঙিমখৈ চারো। খন্বা নঙগীদি করি, লুইখম নঙগীনা করিনো হায়খ্রোদনা, ওর্দর তৌখরো।

লুইখম :- ঐখোয়বুদি চিক্কন চৌ ওইনা চারগে, সারদি করি ওইনা চাবীগনি ?

তেলহৈবা :- ঐদি কোফিদং থল্লগে করিসু চানিংদরে পুকসে ইথন থনগৎলে, ঙসাই ইগজাম মনুংদা রিফ্রেসমেন্ট খরা চাশিল্লকএ।

খন্বা :- আলুচোপ অনি, কোফি মরি, চিক্কন চৌ প্লেট অনি সোমদা খরা থুনা পুবীরকও।

তেলহৈবা :- নখোয়সু হৌজিক্তি পি. জি. গী অরোইবা সেমিষ্টর ইগজাম পীখ্রবনিনা সিদগীদি মতিক চাবা মীয়ামনা শকখঙনবা মীওই অমমম ওইবা ঙম্নবা হোৎনগদবনিকো। ঐনা ঙসি নখোয়গা করিগুম্বা ৱাফম খরা খন্ননিংদুনা থওইনা নখোয়বু থীরকপনি।

তম্ফা :- করি মতাংদা খন্নগদবা ওইরবনো সার?

তেলহৈবা :- হৌজিক মালেম অসিগী ওইরক্লিবা অইং-অশা, ঈশিং-নুংশিৎকী হোংলক্লিবা ফীভম অসিগী মরমদা ঐখোয়না থীজিনদুনা নৈনদুনা মালেম অসিবু কন্নবা খোঙথাং কয়া লৌখৎপা তঙাইফদে। নখোয়সু হৌজিক্তি জিওগ্রাফিদা মষ্টর লোইরবনিনা

ঐখোয়গী ইরমদম অসিগী লমীৎ-তুমিৎ, ঈশিং-নুংশিৎ, মীওইবা অমদি ইনভাইরোনমেন্টকা লৈনরিবা মরিশিং অসিগী মরমদা মখা তানা রিছার্চ তৌহন্নিংই।

লুইখম :- সারনা তাকপিরিবা ৰাফম অদু য়াম্না চুম্বা ৰাফমনি, ঐসু ইরমদম অসিগী ক্লাইমেট সিষ্টেমদা অহোংবা কয়া লাক্লিবা অসিগী মরমদা থিজিনজগে খনজরল্লিবনি।

খম্বা :- সার ঐসু সারগী গাইদেন্স মখাদা রিছার্চ তৌজগে।

তম্ফা :- ঐবুসু সারনা গাইদ ওইবীদুনা রিছার্চ তৌবা য়াহনবীয়ু সার।

তেলহৈবা :- নখোয় অহুমগী ৰা তাবদা ঐ য়াম্না নুংঙাইরে, ঐনা নখোয় অহুমদগী আশা য়াম্না তৌরিবনি। রিছার্চ ইন জিওগ্রাফি ইন মণিপুর হায়বা জর্নেল অমসু ঐনা পুথোক্কে খল্লি মসিদা নখোয় অহুমনা ঐগী ইতেং পাংগদবনিকো।

তম্ফা :- সারগী থবক থৌরম খুদিংমক্তা মায়রোং য়াজগনি।

খম্বা :- সারনা তৌ হায়বা খুদিঙমক তৌজগনি।

লুইখম :- মতম খুদিং সারগী তুং ইন্দুনা সারনা হায়বা খুদিংমক ইনজগনি।

তেলহৈবা :- অদুদি ইহান হান্না লুইখম নখোয়গী উখ্রুললোমদা হান্না হেক্তা চৎতুনা মফম অদুগী লোকেসন, ক্লাইমেট কন্দিসন, হ্যুমেন ইনভাইরোমেন্ট ইন্টরেক্সনগী মরমদা থীজনবা হৌরসি।

লুইখম :- ঐ হয়েং হান্না যুমদা চৎলল্লগে, সারখোয় লাকপিনিংবা নুমিৎতা হেক্তা লাকপীরো, ঐ ঙাইজরল্লগে ।

তম্ফা :- (ফোন রিং লাকপা) হেল্লো ... ইমা কৈদৌরগে।

ইবেমনুংশি :- কৈনো নঙবো ইগজামদি পুং অমদা লোইবনি হৌজিক পুং অহুম তাশিল্লকতোরা ফাওবা যুমদা হল্লক্ত্রদি কৈদৌরে ?

তম্ফা :- ইমা ঐ, ঐখোয় সার তেলহৈবনে, ইমান্নবা লুইখমনে, খম্বানে ঐখোয় পুন্না ঐখোয়না মখা তৌথগদবা রিছার্চকী মরমদা খন্নদুনা লৈথোকঅবা।

ইবেমনুংশি :- ও ফরে ফরে অদো থেংজিল্লক্লে হল্লক্লবা তৌরো।

তম্ফা :- হোয় ইমা। (ফোন থম্বা)

তেলহৈবা :- অদুদি ঐখোয় ময়াম ঙসিদি হন্নরসি। লুইখম ! ঐখোয় নোংনিনিসিগী মনুংদা নখোয়রোমদা লাক্লবা তৌরগে।

খম্বা :- সার, শিরোই লিলি শাৎপা মতমসু ওইরক্লে, শিরোই চিংসু কারকসি সার।

তম্ফা :- হায়গুন্মদনা সার, ঐদি শিরোই লিলি য়াম য়েংনিংঙি, ঙসিমকসু হেক্তা চৎনিংলে।

লুইখম :- উখ্রুলগী ফজবা, নীংথিজবা পুন্নমক য়েংলুসি, কারুসি শিরোই চীংজাওসু, ঐ নখোয়বু খৌরাংনা ঙাইরল্লগেকো।

-ম্যুজিক-

(মতম: নুমিদাং, তম্ফাগী যুম, টি.ভি. থাবগী মখোল)

ইবেমনুংশি :- হায়মা ! ইবেন্মা নঙদি টি. ভি অমুক য়েংদুনা লৈথোক্লবরো, নঙবু পরিক্ষাসু লোইরে হায়বদাই ইমানা চাক ঈশিং থোংলিবসি ঙহাক্তদি ইতেং পাংবীরলাউ কৈদৌগে।

তম্ফা :- অস ! ঐখোয় ইমাসিমা মীনা ঙহাক্তং টি. ভি. নুংঙাইনা য়েংবসিদা ওন্থোক্লা য়েৎখরে।

ইবেমনুংশি :- ঐসু ইমুংগী কুপনোম ময়াম অসিবু নোমগদরা, পৈশাবু তানগদরা ঙহাক্তা ফাওবা পোত্থাবা ফংদে, নঙসু টি. ভি. য়েংদুনা লৈথোক্কদবগী শরুক ইমাগী মতেং ঙহাক্তং পাংবীগে হায়বা ফাওবা খন্দেনে।

তম্ফা :- ইমা নঙসে ওন্থোকপনিদকো ঐনা টি.ভি. য়েংলল্লিবসে সিনেমা, ড্রামা, টি. ভি. সেরিএল য়েংবা নত্তেয়ে।

ইবেমনুংশি :- অদুদি করি য়েংলল্লিবা নঙদি?

তম্ফা :- লাওনে সে ইমাসু য়েংঙরাও হায়বা।

ইবেমনুংশি :- করিনোনে য়েংগদৌরিবো?

তম্ফা :- তু য়েংঙুনে পৃথিবীগী খ্বাইদগী ঈংবা মফম পোলর রিজন হায়বা চহি চুপ্পা ঊনতনা কুপশিন্দুনা লৈবা খ্বাইদগী ঈংবা মফম অদুদা লৈবা পোলর বিয়র হায়বা শওম মখলদো হৌজিক্তি মালেমসিদা শাবগী চাং অসি অসুম অসুম হেনগৎলক্তুনা মফম অদুগী উন মপাকশিংদো শৌদোরক্তুনা পোলর বিয়রশিংদো লৈফম লৈরক্তবদগী কোইঙাওনদুনা লৈফম থিবা কোইচেল চেল্লিবসি য়েংঙু লাওনে।

ইবেমনুংশি :- হোয়নে মপিসিনা নাকল অমরোমদা, মচাশিনা অসোম নাকল অমরোমদা কোইচেন চেন্দুনা কঙাওনদুনা লৈরিসে, ইস মপি-মচাসি কাইনবা তারে ওন্থোক্লা নুংঙাইখিদ্রেদকো।

তম্ফা :- ইমা পোলর বিয়র অসিসু মাগী লৈফম, চাক্তাফম নোংমা নোংমগী অসুম অসুম মাঙশিল্লকপনা মরম ওইরগা মালেমসিদগী মুৎথ্রগরা হায়দুনা মীপাইনরিবনি মরম অসিনা ৱার্ল্ড ৱাল্ড লাইফ ফন্দ (দব্লিউ. দব্লিউ. এফ) না ইন্দেঞ্জরদ স্পেসিসস এক্ট, ইং ২০০৮ গী মতুংইন্না মালেমদগী মুৎথ্রগদরা মীপাইনরবা শাশিংগী মনুংদা পোলর বিয়র অসিসু অমনি হায়দুনা লাওথোখ্রবনি।

ইবেমনুংশি :- খঙদ্রে খঙদ্রে ইবেন্মা, ঐখোয় মীওইবশিং অসিসু মালেম অসিদা কয়াম কুইনবু হীংদুনা লৈবা ঙমখিগদৌরিবনো। ইমা চাক-ঈশিং লোয়শিন্নবা তৌরুখিগেকো, নঙসু চাকখুমদা চংঙকও।

তম্ফা :- (ফোন লাকপা) হেল্লো... হেল্লো... লুইখম নঙবু নখোয়গী যুম য়ৌরবরো?

লুইখম :- উম য়ৌরে, হেক য়ৌবগা নঙোন্দা ইহান হান্না ফোন তৌরকইনে, চাক চারবো?

তম্ফা : চাদ্রিয়ে, টি.ভি. সুম য়েংলমবনে, নঙদি চারবরো?

লুইখম :- ঐসু চাদরি, সারহোয় নখোয় ঐখোয়গী উখ্রুল দা লাক্কনি হায়বদু য়াম থুনা লাকও, নখোয় ইমাগী মীংদো ইবেমনুংশি হায়বা নৎতরা?

তম্ফা :- উম মানে, করি তৌরগে?

লুইখম :- ঐদি নখোয় ইমাদো য়াম্না নুংশি, ইমাসু পুবীরকও, উখ্রুল য়েংহনসে।

তম্ফা :- হোয় পুরক্কে। ঐখোয় য়াম্না থুনা লাক্লুবা তৌরগে। ও. কে. বাই ... গুড নাইট।

লুইখম :- ও. কে. গুড নাইট।

-ম্যুজিক-

(মতম: অয়ুক, নুংশিবা উচেক ৰায়াগী খোঞ্জেল, চীং লম্বী)

তেলহৈবা :- (গাড়ী থৌনা থৌনা, ঈশৈ তপলপ থাবা) ঙসি ঐখোয়গী জর্নিসিদা তম্ফাহোয়গী ইমাসু য়াওবিরকপসে য়াম্না নুংঙাইরে।

ইবেমনুংশি :- ঐসু উখ্রুলসে অমুক্তং চৎনিংদুনা লৈরকপা কুইরবনি, নখোয়না চৎপসিদা তান অমা চারে হায়দুনা ঐসু হেক্তা ইন্নরক্লবনি ইবুংঙো।

খম্বা :- ইমা য়াওবিরকপসে য়াম্না ফরে, নোংনিনিসু লেকথোক্লকপসু য়ারে ।

তম্ফা :- লোইরোই লোইরোই, থেককোই নাকোই চৎলিবা চীং লম্বীসে ফজদরা সার।

তেলহৈবা :- উম য়াম্না ফজে, ঐখোয়না হৌজিক থৌগৎলক্লিবা চীং লম্বী অসে ফনদি ৰাংলমাল্লে, ঙসাই য়াম্না শারম্বদু হৌজিক্তি হকচাংদা অইংবা নুংশিৎ য়ৈরক্লে, তইং-তইং কয়াদা নুংঙাইরবা।

খম্বা :- হোয় সার, ফনা ৰাংনদি থৌগৎলক্লমাল্লে, লম্বীসিদগী য়েংথখিবদা লোকচপ অসে য়াম্না লুনা উরে, অস ঐদি য়েংথখিবদা কীবু কীজে।

ইবেমনুংশি :- (নোকপা) হায়মা নুপামচানবু কী হায়বরো, হনুবী ঐ ফাওবা কীবিদে, ঐদি অঙাংশা চীং লম্বীসিদা গাড়ী তোংদুনা চৎপসে ওন্থোক্লুবু নুংঙাইখ্রে।

তম্ফা :- সার, ঐখোয়বু অলটিচুদ ওন্নবা ইনষ্ট্রুমেন্ট, আলটিমিটর পুরকখিদাইনে।

তেলহৈবা :- উম, ঐগী বেগ মনুংদা য়াওখিবনি, ঐখোয়না থৌগৎলক্লিবা মফম অসে কয়াম ৰাংলগে অমুক্তা য়েংউ।

খম্বা :- তম্ফা ইনষ্ট্রুমেন্টদু পুথোরকও, মফমসি কয়াম ৰাংলগে য়েংলসি।

ইবেমনুংশি :- অলটিচুদ হায়রিসিবু করিনো ইবুংঙো?

তেলহৈবা :- ইমা সমুদ্রগী ঈমায়দগী মফম অমগী অৱাংবসিবু অলটিচুদ হায়না খঙনৈ, অসুম অসুম সমুদ্রগী ঈমায়দগী ৱাংবগী চাং অসি ৱাংখৎলকল্লিবগী মতিক ঈংবগী চাংসু অসুম অসুম হেনগৎলক্কনি।

ইবেমনুংশি :- অদুদি ইবুংঙো ইম্ফালদগীদি হৌজিক ঐখোয়না লৈরিবা মফম অসিনা ৱাংবা য়াম্না হেনলল্লগনি, ইম্ফালদদি য়াম্না শাহৌই সিদদি তইং-তইং কয়াদা নুংঙাইরবা।

খন্বা :- অচুম্বনি ইমা, মফম অমগা অতোপ্পা মফম অমগগী ক্লাইমেট অসি অৱাংবা খেন্নবা অমদি নুংশাগী মৈশানা য়ৈবগী চাং খেন্নবগী মতুংইন্না খেন্নরিবনি, মফম খরদনা য়াম্না শাবা, খরা অমদনা অমুক য়াম্না ঈংবা, অইং-অশা, নোংজু-নুংশাগী চাং অসে মান্নদ্রিবনি।

তম্ফা :- সার, ঐখোয়না হৌজিক থৌগৎলল্লিবা মফম অসে মিটর ১৫০০ রোম সমুদ্রগী ঈমায়দগী ৱাংখৎলক্লে।

ইবেমনুংশি :- এ ! অদুদি ফনা ৱাংলেহে, ঐখোয়না হৌজিক লৈরিবা মফম অসে।

তেলহৈবা :- (গাড়ী ব্রেক ফাবা) স্বাইদা ঙহাক্তং গাড়ীসি খামখিগে, ঙহাক পোথাখিসি, খন্বা নঙগী ফোনদু গুগলদা চংলগা অমুক য়েংঙুদনা মফম অসি কয়াম ৱাংলগে হায়বদু।

খন্বা :- হোয় সার, ... (ফোন কিপেদ নম্বা) ... সার ঐগী ফোনসিদসু অদুম মান্ননা থোরকই।

তম্ফা :- অদুদি ৱাংবগী চাংসি চপ মান্ননা রিজল্ট ফংলবনিনা ইনষ্ট্রুমেন্ট অসি ইরর অমত্তা লৈতরেকো।

ইবেমনুংশি :- ইবেম্মা গাড়ী ঙহাক খামলিঙৈসিদা ঙসাই ইমা ইচানা তিফিন হাপলকখিবশিংদো পুথোরকওদনা, ঐখোয় ময়াম চাথোকমিন্নরসি।

তম্ফা :- হোয় ইমা (তিফিন হাংবগী মওং) সার, ঙসাই ইমানা হোবে হোবে প্লাও হৌরকপনি, সে সিদা লৈরে সার, খন্বা নঙগীসু সিদা থন্মগে।

ইবেমনুংশি :- সনা থোংবগা, আচারগসু য়াওবনি কদায়নো হাপকওদনা।

তম্ফা :- সিদা ওইনা হেক্তা পুল্লপ থন্মগে।

তেলহৈবা :- (চাবগী মওং) ঙসিগী প্লাওগা সনা থোংবগসিদি ওন্থোক্লা হাওখ্রেদা, ইমানা পীজনিংনা পীজবগী ওইরমাল্লে।

খন্বা :- (ফোন রিং লাকপা) অস! হাওনা চারিঙৈ তাঞ্জাসিদা ফোন অমুক তৌশিল্লকএ... হেল্লো ... হেল্লো ... নম্বরসিসু কনাগী ওইজাৎনোনে, সেব তৌবা নম্বরসু নত্তেনে ... হেল্লো ... করিনো সুংতা হেক তাদে সুংখুম খুল্লক্তে তৌরিসে, নেটৱার্কসিসু য়াদ্রমাল্লে।

তম্ফা :- (রিং অমুক লাকপা) ঐগী ফোনদা অমুক তৌরকইসিনা কনানো ... । হল্লো .... আ .... আ লুইখমলো... ।

লুইখম :- উম মানে, নোয় কদায় য়ৌরল্লগে।

তম্ফা :- ঐখোয় উখুল বজার য়ৌরকপদা পুংখাই খরা হেন্নদি চংখিদৌ মাল্লে। নঙ হৌজিক কদায়দা লৈগে?

লুইখম :- ঐ উখুল বজারদা পোৎচৈ খরা লৈরিয়ে, অদুদি ঐ সিদা সুম নোয়বু ঙাইদুনা লৈরল্লগে।

তম্ফা :- হোয় ঙাইরম্মো, ঐখোয় য়ৌরকঅনি (ফোন থমখিবা) ।

খম্বা :- সার অদুদি অমুক চৎলসিরা ?

ইবেমনুংশি :- চৎলসি ইবুংঙো থেংখিনবনি, গাড়ী থৌরসি।

তেলহৈবা :- খম্বা নঙ অমুক থৌরো গাড়ীসে, ঐ ঙহাক অমুক পোথাগে।

খম্বা : হোয় সার (গাড়ী থৌখিবা) ।

-ম্যুজিক-

(নুংশিবা উচেক ৰায়াগী খোঞ্জেল, চৰ্চকী কাংশি মখোল, তাংখুলগী ঈশৈ লাপনা তাবা)

ইবেমনুংশি :- (চীং কারকপগী স্বর থবেৎ-থবেৎ হোনবা) ইস ! ইচাশা ঐখোয়না কারক্লিবা চীংসি ফনদি ৰাংলেহে, ইমাদি শদৌবু থোংলে।

লুইখম :- ইমা ৰারবরা য়াম্না।

ইবেমনুংশি :- হুম (স্বর চাওনা হোনবা), অঙাংশা ঙহাক্তা পোথাখিসিবা।

তম্ফা :- সার, হায়গুম্নদনা স্বাইসে য়াম্নসু ফজে, স্বাইদা ঙহাক্তং ফমদুনা পোথাখিসি।

খম্বা :- সার, মফম স্বাইগী ফজবসে পোথাবা ওইনা ঙহাক্তং য়েংখিসি।

তেলহৈবা :- ঐখোয়না কারক্লিবসি কয়াম ৰাংলগে য়েংঙুদনা ঈংবগী চাংসু হেনগৎলকপদৌনা তৌই।

ইবেমনুংশি :- লুইখম ! শিরোই চীং অসিগী খ্বাইদগী ৰাংবা চীংদোন্দুগী মমিংদুবু করি হায়বনোনে, শিরোই লিলি শাৎপা মফমদুনা য়ৌগদবা কয়াম ৰাৎলিবা?

লুইখম :- ইমা ! শিরোই চীংশাংসিগী খ্বাইদগী ৰাংবা চীংদোন্দুগী মমীংনা শিরুই কাশুং পিক হায়বনি, ঐখোয়না হৌজিক লৈরিবা মফমসিদগী খজিক্তং কাখৎলগদি শিরোই লিলি শাৎপা উবা ফংলনি, হৌজিক শাৎপা মতমনি। মে থা লোইরমদাইদগীনা জুন - জুলাই অদুৰাই ফাওবা শাৎপা মতমনি।

তেলহৈবা :- খন্বা... তম্ফা... মফমসিগী অৱাংবা য়েংলবরো নোয়বো?

তম্ফা :- সার, হৌজিক ঐখোয়না লৈরিবা মফম অসি সমুদ্রগী ঈমায়দগী মিটর ১,৭০০ লোম ৱাংলে সার।

খন্বা :- সার মফমসিদগী কিলোমিটর অনিরোম চৎলগদি শিরোই লিলি শাৎপা উবা ফংলদৌ মাল্লি।

তেলহৈবা :- উম চুম্মী, সমুদ্রগী ঈমায়দগী মিটর ১,৭৩০ দগীনা ২,৫৯০ রোম ৱাংবা শিরুই চিংশাং নাপোমশিংদা শিরোই লিলি শাৎপা উবা ফংগনি।

ইবেমনুংশি :- মফম অসিদি ওন্থোক্লা ঈংনা চীক্লা নুংঙাইখ্রেদা, অঙৈংবা নুংশিৎনা য়ৈবসিদা ৱারন্বা পুন্বা লোইনা ফখরে, ইশাসে পুমতেক হেক তেকখৎলে।

লুইখম :- ইমা নীংথম থাগী মতমদদি মফম অসে য়াম্না ঈংঙি, লৈচিলসু পুন্মম মম্না থাই।

তেলহৈবা :- ৱাংবা হেনগৎলকলিবগী মতিক ঈংবগী চাংসু হেনগৎলকই। মিটর ১৬০ ৱাংবগী চাং হেনগৎলকপা খুদিংগী টেম্পরেচর অসি সেন্ট্রিগ্রেড ডিগ্রি অমগী চাং হন্থরকইবনি।

তম্ফা :- সার ঙহাক পোথাবা ওইনা মালেমসিগী তোঙান-তোঙানবা মফমশিংগী ওইরিবা ক্লাইমেটকী মওং মতৌশিং অসিগী মরমদা খরদং তাকপীয়ু সার।

ইবেমনুংশি :- হোয়নে ঙহাক পোথাবা ওইনা ঐসু নখোয় ময়ামদগী মালেম পৃথিবী অসিগী তোঙান-তোঙানবা মফমশিংগী ঈশিং-নুংশিৎ, অঙৈং-অশাগী মরমদা খরা খঙহৌরগে, ইমাহোয়দি লাইরিক লাইশু মপুং ফানা হৈহৌদ্রবনিনা হৌজিক্কী মতমসিদদি চন্নদ্রবা মীরেম হায়বদু ওইরবনিদো।

তেলহৈবা :- নুংশাগী মৈশা ফংবগী চাং, এটমোস্ফিয়ারগী মওং মতৌ, নুংশিৎতা য়াওবা ঈশিং মনিলগী চাং অমদি সমুদ্রগী ঈশিং ঈমায়দগী থক্তোরকপা মৈশা হায়বদি হিট ৱেব, ঈশিং মনিল পুম্নমকশিং অসি মালেম অসিগী মফম অমগা মফম অমগদা য়াম্না খেন্নে মরম অসিনা লম অমগা লম অমগগী ক্লাইমেট কন্দিসন অসি অমতা মান্নদ্রিবনি।

তম্ফা :- মালেম পৃথিবী অসি ইক্বেটরনা ময়ায়দা চপ চানা খায়দোক্তুনা শরুক অনিথোক্লা হায়বদি নোর্দন হেমিস্ফিয়ার অমদি সাউর্দন হেমিস্ফিয়ার হায়না খায়দোকইকো সার।

তেলহৈবা :- উম চুম্মী, হায়রিবা ইক্বেটরগী মফম অসিদা নুংশাগী মৈশা য়াম্না হেন্না য়ৈবা মরমনা য়াম্না শাই, মফম অসি লৈকংলাগী লমশিংনিকো, হায়রিবা মফম অসিদা নোং কা হেন্না চুই অদুবু য়াম্না থুনা মনিল অমুক ওন্দুনা পাইথোকখি।

খন্বা :- ক্লাইমেট জোন অসি লেটিট্যুদ খেন্নবগী মতুংইন্না, ইক্বেটর, ট্রোপিক ওফ কেন্সর, ট্রোপিক ওফ কেপ্রিকোন, অর্টিক সার্কল, অনট্রাটিক সার্কল হায়না লৈকো সার।

তেলহৈবা :- উম ! ট্রোপিক ওফ কেন্সর হায়রিবা অসিনা অৱাংথংবা নোর্থ পোললোমদা অদুগা ট্রোপিক ওফ কেপ্রির্কোন হায়রিবা অসিনা সাউথ পোল লোমদনিকো।

ইবেমনুংশি :- ওহ ! ইবুংঙো ঐখোয়গী মালেম অসি তোঙান তোঙানবা শরুক কয়ামরুম থোক্লা খায়দোকপোরে।

তম্ফা :- সার, টোরিড জোনগী মতাংদসু খরদং শন্দোক্লা তাকপীয়ু ।

লুইখম :- সার, টোরিড জোন হায়রিবসি ট্রোপিক ওফ কেন্সর অমদি ট্রোপিক ওফ কেপ্রিকোন অসিগী মরক্তা লৈরিবা মফমশিং অসিবু নৎত্রা?

তেলহৈবা :- উম মানি। হায়রিবা টোরিড জোন অসি মালেমগী মফমশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী শাবা মফমনিকো।

খন্বা :- অফ্রিকা, খা ভারতকী শরুকশিং, এসিয়াগী খা থংবা শরুক্তা লৈরিবা লৈবাকশিং, বঙ্গলাদেশ, শ্রিলঙ্কা, বর্মা, থাইলেন্দ, তাইৱান, ভিয়েটনাম, ইন্দোনেসিয়া, মালেসিয়ানচিংবা লৈবাকশিং অসি টোরিড জোনগী মনুং চন্না লৈকো সার।

তেলহৈবা :- উম য়াম্না চুম্মী, নঙনা হায়রিবদু। ঘনা, মদাগস্কার, চিল, ব্রাজিল, আর্জেন্তিনা, মেক্সিকো হায়রিবা লৈবাকশিংসিসু টোরিড জোনগীগী মনুং চল্লিকো।

ইবেমনুংশি :- ইস ! মফমশিং অদুদদি লৈবা ওন্থোক্লা ৱারমখ্রনিদকো, ঐদি শাবসি ওন্থোক্লা হৈনজদে।

তম্ফা :- টেম্পরেট জোন হায়রিবা মফম অসিনা নোর্দন হেমিস্ফিয়ারগী শরুকলোমদা হায়রগনা ট্রোপিক ওফ কেন্সর অমদি আর্টিক সার্কলগী মরক্তা লৈরিবা মফমশিং অদুগা সাউর্দন হেমিস্ফিয়ারলোমদনা ট্রোপিক ওফ কেপ্রিকোন অমদি অনটার্টিক সার্কল অনিগী মরক্তা লৈরিবা মফমশিং অসিবুনিকো।

তেলহৈবা :- হোয় মানি, হায়রিবা টেম্পরেট জোনগী মফমশিং অসিদি য়াম্নসু শাদবা য়াম্নসু ঈংদবা মফমনি, লৈবদা ওন্থোক্লা নুংঙাইখ্রবা মফমনি।

ইবেমনুংশি :- ইচাশা, ঐখোয়গী লমদম মণিপুর অসিদি করন্বা ক্লাইমেট জোনগী মনুং চন্না লৈবগে?

তম্ফা :- ইমা! মণিপুরগী ক্লাইমেট অসি হ্যুমিদ সব-ট্রোপিকেল ক্লাইমেট, সব-ট্রোপিকেল হাইলেন্দ, ওসিনিক ক্লাইমেট, ট্রোপিকেল মোনশুন ক্লাইমেট অমদি ট্রোপিকেল সভানা হায়না মখল মরিথোক্লা লৈ।

লুইখম :- ইন্ফাল, সেনাপতি, থৌবাল, মোরে অমদি চান্দেলদনা হ্যুমিদ সব-ট্রোপিকেল ক্লাইমেটকী মওং অসি ফংই।

খন্বা :- উখুল, খারাশোম, চিংজুই, চিংঙাই, লুইরৈ অমদি শিমফুং হায়রিবা মফমশিংসিদা ওইরিবা ক্লাইমেটকী মওং অসিনা সব-ট্রোপিকেল হাইলেন্দ ওসিনিক ক্লাইমেট হায়বদুনি।

তেলহৈবা :- ট্রোপিকেল মোনশুন ক্লাইমেট টাইপ অসিনা জিরিবাম অমদি ধোলাখলগী মফমশিংদা ফংই।

তম্ফা :- ট্রোপিকেল সভানা ক্লাইমেট না তিপাইমুখকি মফমশিংদা ফংই।

ইবেমনুংশি :- (ঙক্লা) এ ! এ ঐখোয়গী লৈবাকসিদি তোঙান-তোঙানবা ক্লাইমেট মখল ফংবোরে।

তেলহৈবা :- চহি চুপ্পা উনতনা কুপ্পা মফম নোর্থ পোল অমদি সাউথ পোল হায়দুনা য়াম্না ঈংখ্রবা, নুংশা মঙাল চাং য়াম্না নেম্না ফংবা মফমসু লৈকো ইমা।

ইবেমনুংশি :- ঐদি য়াম্না ঈংবা অদুগা য়াম্না শাবা মফমদকাদি শুংলৈ হেক লৈবা ঙমজরোইকো। ইহে পুংসে আ য়ৌরম্মনি, ঐখোয়না সিদা সুম ফমদুনা লৈথোকইসে কুইমল্লে, শিরোই লিলি য়েংবা লাকঅগা শিরোই লিলি উদনা হনবকাদি য়ারোইকো ঐদি।

খন্বা :- ঐখোয়বু ঙসাই ফ্লাস্কতা চা য়াওরকখিবদু লোইথোকখ্রব্রো? গ্লাস অমমমতংদি থকখিসিবা ঐখোয়বু, ঐদি খনাওসে কংবনা লোইরে।

তেলহৈবা :- (নোকপা) হুম ! খন্বা নঙসিমা চাদা হেক হায় লৈ, থকখিবসু কুইদ্রিবদাইনে নঙবো।

লুইখম :- (লিরি লিরি নুংশিৎ শিৎপগী মখোল) তম্ফা ঙসাই দিস্পো গ্লাস য়াওরকখিবদুদি, করম্বা বেগতা য়াওখ্রগে থিফম খঙদরে।

তম্ফা :- সে সিদা লৈরে (পীগে তৌবা) ... হায়মা ! দিস্পো গ্লাসসে নুংশিৎনা হুমদুনা পুখরে... সুম সুম পাইথখরে মখারোমদা (তান্নবগী মওং)।

লুইখম :- তম্ফা ঙাইখোও, ঙাইখো হায়বনে নঙ চীংচেপতুদা শোয়দনা ওন্থরনি, হুমদোকচখ্রসনু হায়বনি তান্নবা ফংলরোই মফমসিগী নুংশিৎকী শাফুসে য়াম্না কনবনে (ঙাংনা ঙাংনা তান্নখিবগী মওং)।

ইবেমনুংশি :- (পাখৎনা) হায় ইবেম্মা.... তম্ফা... লুইখম ঙাইখো হায়বনি নখোয়বো।

-ম্যুজিক-

(নুংশিৎকী শাহুম তপ্পা তপ্পা হুন্বা, তাংখুলগী ঈশৈ তাম্না তাবা)

তম্ফা :- (চীং কারকপগী স্বর থবেৎ-থবেৎ হোনবা) লুইখম ! য়েংঙুনে কয়াদা ফজখ্রবা শিরোই চীংশাং নাপোমসে, য়েংবগী পেনবা নাইদে, কয়াদা পুক্লিং হুনা নীংথিজরিবা। ঐদি মফম অসিদা অসুমক লৈনিংলে য়ুমদগা অমত্তা হন্নিংদ্রেবো।

লুইখম :- তম্ফা (নুংশিনা কৌবা) ! ঐ ৱা অমা হায়গে নঙ য়াগদ্রা?

তম্ফা :- করি ৱানো হায়য়ো, য়ানিংঙগনা য়ারে য়ানিংদ্রগনা হেক য়াদ্রেদনা (থৱায় তানা নোকপা)।

লুইখম :- হায়ররোইদা, নঙ য়াগদবা মান্দে।

তম্ফা :- হায়রোইদবা ৱাদি কৈদৌবগী হায়গে হায়রিনো (শাওরপ)।

লুইখম :- (ইকাইরপ) নোংমা মতাং চাবদা হায়রগে।

তম্ফা :- লুইখম তু য়েংঙো শিরোই লিলি শাৎলে (হরাওনা হায়বা) ... ইমা ... খন্বা ... সার শোমদা খরা থুনা কাখৎলকও শিরোই লিলি শাৎলে য়েংঙো লাকও (কৌবা, ইকো হাপ্পা)।

লুইখম :- হোয়নেহে শাৎলেনে, সিদগীদি খরা চীংথকলোমদা কাখৎলগা য়াম্না শাৎলমলগনি য়েংঙুরসি লাকও।

তম্ফা :- হুম ! ইমাহোই, খন্বাহোই, সারহোই য়ৌরকপা ঙাইখিসি।

ইবেমনুংশি :- (স্বর থবেৎ থবেৎ হোনবা) ইস! ইমাইপেন্মা ইমাইপেন্মা চীংদোলসি য়ৌনবা লাকপসিদি স্বরগা লোয়না তৎখ্রদবোই হেক নিংঙি, ৱাখ্রে ৱাখ্রে।

খন্বা :- কদায়নো শিরোই লিলি শাৎলে হায়বো?

তম্ফা :- তু য়েংঙু অসিদা লাপতক উরিসে।

তেলহৈবা :- ঐনা চহি তরামুক্কী মমাংদা মফমসিদা লাক্লম্বা মতমদদি শিরোই লিলিসে ঐখোয়না হৌজিক লৈরিবা মফম স্বাইদসু পাকতক্লা শাৎলম্বনি অদুবু হৌজিক্তি অসুম অসুম লৈ শাৎপগী চাংসে হন্থরক্লে।

ইবেমনুংশি :- (ঙক্লা) করিগীনো ইবুংঙো অদুদি ?

তেলহৈবা :- (নুংঙাইতনা) মালেমগী মফম অমতদসু ফংদ্রবা, মণিপুরগী উখ্রুল ডিষ্ট্রিককী শিরোই চীংগী লৈবাক লৈহাওখক্তদা হৌজবী, শিরোই চীংগী মমোমলোই হাদা শিরোই লিলি শকহেনবী, নহাক অসে মফমসিদগী মুৎখ্রদরা, মাঙখ্রগদরা মীপাইদবা ঙমদেদো।

তম্ফা :- করিনো সারনা হায়বীরিবদুবো, ঐ ভাব অমতা তাবা ঙমজদরে।

লুইখম :- কশোং তিমরাওন, শিরোই লিলি হায়না মালেমশিনবা থুংনা খংনরিবা লৈ অসে ঐনা অঙাং ওইরিঙৈ মতমদদি চীংমায়শিদা পুমশন শন্না শাৎপা উহৌই অদুবু হৌজিক্তি অসুম অসুম মশিং হন্থরকপগুম তৌরে।

খন্বা :- মহৌশাগী লৈজরম্বা অইং অশাগী খল, ঈশিং-নুংশিৎকী ফিভমদা অহোংবা অকায়বা কয়া লাকপা অমদি অকোয়বগী ফিভমদা অকায়বা কয়া থোকহল্লকপনা মরম ওইরগা শিরুই চিংদগী শিরোই লিলি মুৎখিবসু য়াই।

ইবেমনুংশি :- (নুংঙাইতনা) ইচাশা মালেমগী মফম অমতগী লৈবাক লৈহাওদা হৌ হায়বা য়াদ্রবা শিরোই চীংখক্তদা হৌবা শিরোই লিলিসে ঐখোয় ময়াম চংদুনা মফমসিদগী মুৎখিদনবা ঙাক শেনগদবনিকো।

তম্ফা :- (কপনিং কপনিং) হে শিরোই লিলি, *Lilium mackliniae* হায়না ব্রিটিশ বোটানিষ্ট কিংদম এফ ৱার্দনা ইং ১৯৪৮দা মীংথোন্দুনা মালেম শিনবা থুংনা খংনরিবী নহাক, শিরোই চীংশাংসিদা মকা লাম্না মতম চুপ্পদা শাৎলুকো।

তেলহৈবা :- তম্ফা ... লুইখম ... খন্বা ... ঙসিগী হোংলক্লিবা অঈং-অশাগী খল, ক্লাইমেট চেঞ্জ অসিদগী ঐখোয় ময়াম পুন্না হোৎনমীন্নদুনা মালেম অসিবু কনবদা থৌদাং কয়া লৌমীন্নরসিকো।

পুল্লপ :- সার।

-ম্যুজিক-